


৯৮০-৮১ [গী মহৈ-মশিং লোইশংগী শেম্বংমা কোংজবা

•থিংচাবী চাকথা
⊙মহাকাব্য

[অতেনবা লিলা মচা অনি]

অইবা

কোইজম থীরেন

[পা ৫

অকোংবা : অইবা মশামক
পূন্নমক অইবগীনি ।

থুংনম : অহানবা

মশিং : ৫০০

পুথোকপা : আগষ্ট ১৯৮২

ফংন্নম : ইম্ফালগী লাইব্রিক য়োনবা দুকানশিং ।

নম্মম : খোংনাংথাবা প্রেস, লম্লোং কৈথেল ইম্ফাল ।

হিংচাবী চাকথা

শক্তম		শাথিবা মীওই
অঙৌ :	কৈজাওগী মপা	এল, বিজুয়
কৈজাও :	পাথং অমা	ৱাই, ভিম
খৌবা :	অঙৌগী মরা	এন, বীরমনি
পাওমী :	নিংথৌগী পাও পুবা	এল, গোজেন্দ্র
তোমচৌ :	লৱাইগী মীয়াই চল্লবা	এম, লুখোই
হিংচাবী :		এল, উদয়
থরোশং :	অঙৌবীগী মুপী	ইবেচা দেবী

© ষ্টেজ — সঙ্গীত কলা সঙ্গম, খুরাই।

[শোক ১৯৭৪ দা নেহরু যুবক কেন্দ্রনা শিনবা অতোমবা লিলা মচা তাম্নবদা খাইদগী ফবা স্ক্রিপ্টকি ওইনা মনা ফংলব।]

হিংচাবী চাকথা

Act I

ষ্টেজ অহু হায়দোরকপদা

[মুংশি মুংশি তৌবা মৈঙান্দা মতাই ওইরপ্পা হিংচাবী অমা অকিবগী মশক ফংনা থাক্লা থাক্লা নোক্তুনা লৈ । ষ্টেজ অহু ফাওরগা চংখি । নোঙাল্লমদাই উচেক বায়া খোঞ্জেলগী মখোল ।]

হিংচাবী— মীশা চানিংই, মীয়ু নম্মীদ ঃ
লাম্মে পিরো মী, কদাই ঐগী চাকথাদি

মুজিক ইন্টরলুদ

পাউমী— [পাখংনা] হো ইমুংসিবু কনা কনা লৈবগে ?

[অমুম্না হম্না কৌই]

অঙৌ — [থোং হাংদোরকই, পাখংনা] করি পাউ নো, শাবাওরো, লানবাওরা ?

পাউমী — হিংচাবী চাকথাগী পাওনি।

অঙৌ — করি হায়বা, হিংচাবী চাকথা— য়োংশুকসিনা কনগে [য়োংশুক পুথোরকই]

পাউমী — হয়েং কোম্না কল্লু— সে, সে, মুম্না তাও !
ঙসি অসি নখোয় ইমুং পালিনি, নিংথৌ স্না-য়াথংনি।
শোয়রেদনা, নশা অঙাং ওনবা (থোকখিবা)

অঙৌ — ঙসি ঐখোয় ইমুংগী পাল্লি— [তম্না]
নিংথৌ সনা য়াথং, মী অমা শোয়ফদে।
ইস: [মরাইবক পাইতুনা ক্ষমথখি] করি উপায় লৈ ?

থরো — (থোরকপা) কৈদৌরে, করিনো চিন্তাদা তৌতুনা লৈরিব-সিবু ? মীনা লাকচ থুত্নম চনবা য়াওব্রাও ?

অঙৌ — তুমিন লৈয়ু, বাদি খঙদনা, চিন্তা নত্তে, উপায় য়েংলিবনি।

থরো — করি উপায়নো ?

অঙৌ — নঙ পাউ অসি করি অমত্তা তাদ্রি ?

থরো — নত্তে, শঙ্গোলদগী শল হুপ্রবা জাংলনে।

অঙৌ — মহুস্থ নত্তে

থরো — নত্রবদি করিনো ? চিন্তা তোকপীরো, শিগদবা থবাইনি।
হুঙাইথোকপীয়ু।

অঙৌ — নঙ নোঙাল্লমদাইদা লাওখিবহ্ তাদে।

থরো — তাদে

অঙৌ — তাদ তাদে

থরো — শুকতা তাদে

অঙৌ— নঙমা নরাইবক কৈকো— কানদে লৈথোক্কনা
[মুঙাইতনা তুমিন্না শুৎ-শুৎ কপ্লা মপি তৈথোকপা]

থরো— অদু হায়য়োমী মাই পাজি— (লৈথোকপা, থেম্বা)

অঙৌ— হন্দক্তিনে নঙনা লুপ্রা ওইবা অমা—

থরো— লুপ্রা (মথবাক য়েংবা)

অঙৌ— নত্রগা ঐনা পাপ্রা ওইবা

থরো— হায়হৈদেয়ে— মাই পাজিগী মহোশাগী ফাগীদু হৌরক্লনি।

অঙৌ— [শাওনা]— তুমিন লৈম্লুনেহে, শিরমদাইদবু ফাগী তৌবা হৌনব্রাও? মুংশিপ্রবা ইচা হুন্দোক্লম্বা তারেদো নত্রগা থরো [পেথনা] নঙবু হুন্দোক্কনা চৎথিবা তারব্রা? কদাইদা চৎপ্রবগেনে ইচাহুবু।

থরো— ঙরাংদগী হঞ্জিল্লক্তি মাল্লে।

অঙৌ— অমুক লুরবা তাঙ্গা অসিদা ঙরাং অহিংদগী... ... ...।

থরো— হঞ্জিল্লক্তি— ঙরাং মুমিদাংসিবু করি মঙ মঙবিরুরবগে? ঙসি অয়ুক তৌরম্লিবা মতৌশিবু— ঐ ভাবকা অমত্তা তাজবা ঙমজদ্রে। [লৈথোক্কনা কমথি]

অঙৌ— অঙাওবী নঙ হুজিক ফাওবা নিংথৌ স্না-স্নাথং তাদ্রি?

থরো— অদুবু, করি হায়রম্লবগে, অমুক্তা তম্বীয়ু।

অঙৌ— ঙসি অসি ঐথোয়গী পালিনি।

থরো— করিগী পালি?

অঙৌ— হিংচাবী চাকথাগী।

থয়ো— (পাথংনা) করি হায়বা ?

অঙৌ— হি'চাবী চাকথা।

থয়ো— ইমাইবেম্মা ঐদি মাংজরেদনা— (খোম্থাং হাপ্পা কপই)

অদুদি করি উপাই লৈ ?

অঙৌ— উপাই হায়ববু নচানুপা অদু অমুক্ত' থিরুসি।

থয়ো— ঙাইখোনে, ফৈজাওনবু ঐখোয়গী মহুৎ শিনবিয়ু য়াগদ্রা ?

ফৈজাও— [পাথংনা চেনশিল্লকই] ফি,না—

পাজি, ঐগী থবাই অমুক্তদি বল্লু— থবাই 'মুক্তদি কব্রিয়ু।

অ+থয়ো— কৈদৌরে, করিনো নঙনা তৌরিসিবু,— কনানা করি তৌরব্রবগে ?

ফৈ— কৈগু তৌদে।

অ+থয়ো— কৈগু তৌদ্রবদি করি তৌরবগে ?

ফৈ— [খর থবেৎ থবেৎ হোন্না] ঐগোয় মকম আস থাদোক্তুনা চৎলসি।

অ+থয়ো— করিগী ?

ফৈ— লৈবাক অসিদা হিংচাবী লাক্লে, হিংচাবী চাকথা পিরো হায়রে।

অঙৌ— পাথংখিম্নু, মখা তম্মু কৈদৌরে ?

ফৈ— ঐখোয় অনি হিংচাবা হিংচাবীনা মী চাবা য়েংসি হায়-দুনা চৎলুবদগী নিংথৌ মনাইনা তান্নরক্তুনা খারোই লাই-রোই খুঙদমখৈ চেল্লক্লিবনি। ফি য়োম্মো, তৈয়ারিদা লৈরো, চেল্লসি চৎলসি।

অঙৌ— অমুক্তা ওপথখোনে ঐখোযন' ঙা নরীবসু মতুগীনি
(নমু দগী লাওনবকুই)

ওাম্নরক্লে চেম্লো, চেম্লো—
(লাইট মমথি, হিংচাবী খোরকহ।

হিংচাবী— মীশা চানিংই/মীমু নমশ/মী পীয়ু/নচ' পীয়ু।
(হম্না হম্না হায়হুনা লাকই, অঙো + থরো মথুং লায়হুনা)
[তুংদা কৈক্তাও লোংলি]

অ+থরো— ইচা তোম্বনি/ পিজরোই

হিংচাবী— মীশা চানিংই/অঙাং পীথু

থরো— পিবুক মুংদা থমগনি

হিংচাবী— মীশা চানিংই/মুপা পীয়ু

অঙো— ইথা মুংদা লোংকান

হিংচাবী— মীশা চানিংই/মুপা পীয়ু।

থরো— ঐবু হাম্না চাখোও/লুঞ্জা সিংদা চহেল্লৌনি।

কৈক্তাও— মচা লৈরি কাওবরা ?

অঙৌ— নিপা লৈরি কাওবরা?

হিংচাবী— মীশা চানিংই/মীশা পিয়ু

অ+কৈ+থ—লাইগী মচানি চাকদে।

হিংচাবী— শিরমদাইদা থঙগনি
মীশা চানিংই, মী পিয়ু।
[হম্না হম্না হায়রগা খোকথি]

মখোয় অহুম ঙৈহাক বাহুনা পোথাই।

পাউমী— (চংলকই) অতু মতমদি ওইরক্লে, কনা চৎপা তারিবগে ?

অঙৌ— থঙদেনে ইবুংঙো, ঐখোয়স্তু থম্নরম্লিবনি।

পাউমী— অতু অশেংবা অমদি তাকপীযু। চৎলোই হায়রগা নিংথৌ লম। মাক্ত হঙ্গংলুরগে।

ফৈজাও— ঙাইখো—অঙম্বগী মনাই, চত্তবদি শুকয়া য়াদবনিকো

পাউমী— চৎলোই হায়রগা অঙাং ওনবা, কান্নদে পাউ মথং মথং হায়কথিগে কল্লকপদা চৎকদবা মীদো হায়বু—ঐগা চৎ-মিন্নগদবনি। শাওরংননা থোকথি মখোয় ও উংহনা লৈ-ক্লৌই। মখোয় মশেল ১গা ১গা ওনশিন্দুনা কপ্পে।

খোৗবা— [নম্বো অমগা] হরে কৃষ্ণ, কনা কনা লৈবগে ?

অঙৌ— [শুকম্মী] ইবাইবু, নম্বোও থাবোও, কদাই লেংলুরিবা!

থরো— তাচৌ ঙসিদা থুংলরিত্রা ?

ফৈজাও— মাম্মু ঐগী করি লৈরকই ?

খোৗবা— পৈশা থালিদা হল্লকই, মীনা শেল মুলকৌরে, ফদি-ফরা থরা য়োমহনা হল্লরিবসিনি

অঙৌ— অসঃ স্থুঙাইত্তেদা ইবাই, থরা কান্নগদ' হায়রগা ওক্লোক-পনিদা।

খোৗবা— ঙসিদি ইবাইস্তু যুম যৌবা তান চাত্রে, গাডীস্তু ফংল-বোই, কয়েং ওগা য়োরগে— ঙসিদি সুমিৎস্থু কত্রে। করিগীনো ন.থায় অঙুয়া শুৎ-শুৎ কৌহনা কপ্লমীবা অসিবো।

অঙৌ— থঙদে ইবাই জান তাদে, ঙসিগী সুমিত্তা ঐখোয় অহমগী

মরক্তা অমা শিদবা য়াররোই।

থোবা— কবিগী ?

অঙোৎ— হিংচাবী চাকথাগী

থরো— নিংখৌ স্না য়াথংনি, নত্রে ঐথোয় ওমক অঙাং গুনবা

অঙোৎ— চৎলুনে, ইবাইগী হিদাক ভান্তক অমতা হাল্লুচোনে।

থোবা— ভাইখো, ভাইখো, হিদাক হাল্লুখিম্নু। সে ইবাই বা হায়রগে, মুম্না তাও, নখোয় ওগী নতৌসে য়েংবা ঙমদ্রে। অদুগনে ইবাই বায়েন অমা তৌগে।

ওমক— করি বায়েন্নো ? অমুক্তা তাকপিযু (হরাওনা)

থোবা— সে সে অসিনিমা—[তাঙ্গা অসিদা থরোনা হিদাক হান্দুনা ঐনা বারিসিনা— পুখোরকই, প্রোক প্রোক চিংই] নখোয়না কোকথোকপীরো, অদুগা নখোয়না বারীবা অদুনা ঐনা কোকথোকপিরগে।

অঙোৎ— বাকম্নু ভাব তাবা ঙমজদ্রি

থোবা— ইশেন অঙোৎ, ঐনা লংকৈ চৎলুরিবসে লাইরবসিদা কোকপা ঙম্বা য়েংগে কোংনকবনি। অদুবু— লাইবক থিগ্রেদঃ।

থরো— বাহু 'মুক কোমথোকপীগ্রবস্নু হেক্ত শমজিনবিরো

থোবা— ঐননে নখোয়গী নাহুৎ-নারেং শিন্দুনা শিবিরগে অসিনি। মখোয় ওমক হরাওই—

থরো— তাচৌনা শিরগদবা।

কৈজাও—মান্মনা শিরগদবা।

অঙৌ— ইবাইনা শিরগদবা।

থৌবা— মাগ্নি, মাগ্নি অহুমক্নি।

অঙৌ— মসিদা ইবাইগী অরাবনা করি? ঐখোয়গী ইছুৎ-ইরেং শিনবীগে হায়রবদি ইবাইনা হায়রিমখৈ য়াজগনি।

থৌবা— থল্লু নঙস্থু শেল হায়র্বসিদি তাল্লগা ফংগনি। অহুগা থবাইদি লৈবা ফংদবনি।

কৈজাও— চৎলুনে থরোশঙ, ইবাই চানবা চাক থোঙ্গৎলুম্নো। (চং'থ)

থৌবা— (পেহুনা) ঐস্থু শিনিংপোক্তে অঙৌ, ইচা-ইশু য়োক্নিং-ইবনি। ঐগী মুপীদো লুপ্লা ওইহল্লিংদে, ইচাশিংদো পিতৎ-পাতৎ মচা ওইহল্লিংদে।

অঙৌ— অহুবুদি, য়াঙা চুমপ্রবা বানিনে ইবাই।

থৌবা - অহুগীস্থু মপক্তা যুম ইখোল কাওবা পুখখিহুনা হন্দোকপা ঙমদ্রহুনা মৌগী শঙ্গোই মচি অমদা তাংহুনা লৈরি, নঙস্থু থঙলিবহুমঙাইদনা—।

অঙৌ— বাহু হেক্তা শমজিনবীরো, নিংথৌ মনাই য়ৌরক্লনি।

থৌবা— রা হায়বু অসিনি, ঙসি হয়েংমক নত্রবস্থু হায়রম্নোইদা—

অঙৌ— মথা তাবিয়ু ইবাই, করিনো ইবাইনা পাম্লীবা?

থৌবা— হায়দি হায়নিংদে— উইল অমগী মথাদা ঈশেলগী লৈ-রিবা লো ইখোল সনা লুপা পূম্নমক অহু ঐঙোন্দা লোইনা পিবা।

অঙৌ— হরে কৃষ্ণ, ইবাইবু লোইনা হায়বা। (স্বপ্ন মপী হোনবা)

থৌবা— মহু য়ানিংদ্রগনা শরুক মরি থোকপগী অহুম অমা ঐগী অহুগা শরুক অমনা নখোয়গী— মসিদা য়ারগা

খোঁ[illegible] —[illegible]বাই লা[illegible]ক য[illegible]। [illegible] ইশো[illegible] [illegible] শিন্দুনা শিথা। য[illegible]না — [illegible] কৈশু [illegible]। [illegible] মমা-মচাশিং অড়[illegible] [illegible] চামিয়া[illegible] [illegible] থ্রাগে।

অ.[illegible] —[illegible] [illegible]।

থৌবা —[illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] লৈগ্রেদ। [illegible] [illegible] হাযরবসিমু [illegible]। [illegible] হানবা [illegible]—মমা-মচা [illegible] [illegible] চাড়[illegible] [illegible]। [illegible]বক [illegible] হাবনি।

জা[illegible] —[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হা[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈ[illegible]দীবি।

[illegible] —[illegible] দি হা[illegible]বসিনি, [illegible]দি [illegible]লগা যংবনি, থয়াইদি [illegible]দবনি।

থা[illegible] —[থোনকত] বরি [illegible]বিগ্রবাগে ?

[illegible] —[illegible] [illegible] সম্পত্তি পুন্নমক অসিগা শকক ৩/৪ পিবা যাবগা [illegible] [illegible] শিনবা।

থ.বা —শকুক ৩/৫।

থৌনা —যাদগদি যাদ্রে ক[illegible]দীনি।

পা[illegible]মী —[চ[illegible]লকপা] কবি [illegible]বিবনা ?

অ[illegible]ড়ৌ —ইবুড়ো, অমুক্তা [illegible] [illegible]।

[illegible]বা — [মাপোং মচ [illegible]মকিদো]। [illegible]খায়[illegible] যাদ্দি [illegible]সি মাম্মু যুম য়ৌশি[illegible] থ্রাগে। — [চংকে [illegible]বা]

অঙৌ—ঙাইখোনে ইবাই ।

থৌবা—ইবাইস্থ ইকাইরব্লেদ', ব্রাহু তোক্লসি ।

পাউ—করিনো হায়বিরিবসিবো, করি হায়নরিবগে ।

অঙৌ - কবি হায়ননি, শেল অমস্থং থব্রাইগী থল তমজরি ।

ফৈ— কান্নদে ব্রাযাম্নহুনা— ঐ হেক্ত ইমাগী মাং থাহুনা
শিজগ্রগে ?

অঙৌ— তুমিন লৈযুনেহে অঙাওবা ।

পাউ— অহু কনা চৎপা তাববগে ।

থৌবা— ইবুঙো, হুজিক লৈথাহ অমা ঙানখিনি—চৎপগীদি থোক্ল-
বা অমা লাকনি ।

অঙৌ—অহু ঐখোয় য়াথোকগ্রসি হায়ব্রো ?

থরো—কমদৌনি, লাইবক য়েংবা হায়বহুনি ।

ফৈ— কোক য়াথোকগ্রগা লোইবে কৈদৌবগে ?

থৌবা - ফরে, ঐখোয় পৃম্নমক য়ানববনিনা, ঙসিগী হি'চাবী চাকথা
অসি ঐনা চৎপা তারে ।

পাউ - ফরে, তাদ অহুদি লেংলসি ।

থৌবা— ইবুঙো নঙ লেরিঙৈসিদা চে অমত্তা ইনহৌদবা য়াদে ।
মহুগী শাখি ইবুঙোনা ঙইবিদবা য়াদে । অহুদি ইবুঙো
ফৈজ্রাও ।

ফৈ— তাকপিযু মাম্মা ।

থৌবা—নঙ চে অমত্তা পুথোরকউ ঐনা শিদ্রিঙৈ অসিদা লাইরিক

থৌবা— লাইশু মতেক অমা ইনকৌনবা— [ফৈজাও চংখি] মী হায়-বসে কনাসু শিনিংপোক্তে। শুগে-নোমগে, মুঙাইগে হায়ব-গীদমক্ত মীওইনা পোক্নরিবা-নত্রা ? মত্থু লাইবক্নদি য়াদে ও ! লাইরবা ? তোল্লিদকো।

ফৈ — অত্থুদি মাম্মু ঐ হেক্ত ইজরগে— [থোরকই]

থৌবা— ইরোনে, ঐ য়াম্না থুনা শিনিংলপোৎনি— ঙৈহাক্কুং লৈর-বদি শিনিংঙক্রুবসু য়ারিবজাৎনি। [ফৈজাওনা ই] সৈত্য হায়দোক্রুবগী তৌসিকো, হোবেল য়ুমদা হনগ্রগা মমা মচানা করি অমুক হায়গদবনো খঙদে।

অঙৌ—হোবেল য়াদেকা হায়ববদি অমুক য়াদেকো ইবাই।

থৌবা—অত্থুগীবুদি নীপামচানিদনা, হায়গ্রবদি হোংবা য়াবরদো।

ফৈ — লোইজরে মাম্মু।

থৌবা— অমুক্ত পাউ তাসিনা।

থবো— হায়যু হায়যু ক'রি হায়না ইরে।

ফৈ— —য়ানবা চেরোল—

অঙৌগী য়ুম-ইঙ্খোল, লৈবিবা লন-থুম পুম্নমক অসিগী শরুক ৩/৪ অসি হিংচাবী চাকথাগীদমক্ত থৌবানা অঙৌগী ইমুং-মন্নুংগী মঙ্গুৎ শিন্দুনা চোংথোবক্রিবা নিপা অসিদা, শিত্রিঙৈ মমাংসিদা পিবা হায়না য়ানরে।

পাউ— য়ারে ইবুঙো, তাদগীসু সোয় তৌবিরো, ময়ামগীসু সোয় তৌশিনবিবো, শাখিনা ঐ ওইজরগে— অত্থুগা মসিগী

পাউ— পাউ অসি স্না-কোনুংদা যৌইক্লপ্রগে। [ময়াম শোয় মথ ২ তোরে] অহৌদি হিংচাবী চাকথাসি তাদনা লেংব তারেনে।

থৌবা— হোয়, ইখুঙো, ঐনা চৎপা তারেদনা— অহৌদি ইবুঙে ঐ মামদি [illegible]—ই[illegible]না ম[illegible]ম অতু ফাওবদি থিনবিব তাই। অদ[illegible] মুম অমুক্ত দি থৌরুবা [illegible]।

অঙৌ—খোরেল ই[illegible]। শো[illegible] দ কমদোবা, উ[illegible]ল দ লোই[illegible]

থৌবা—মুমদদি হা[illegible]দাই রিবনিনে, উইল অসিদং [illegible]। লোই বেদনা। [illegible] শিব দবা [illegible] অমুক মিনম্বা [illegible]। কাব[illegible] [illegible], [illegible]সগা চৎমিন্ন-গদৌরিবনি।

পাউ— হোয়, [illegible]দনা [illegible]বা শরুক য়া[illegible] হায়[illegible]! ঐ চৎমিন্নখিবা [illegible]রেদ।।

থৌবা— অহৌদি ই[illegible] লেংলসি[illegible]।

পাউ— লেংলসি [illegible]দ, মতম অ[illegible]।

অঙৌ— ইবাইবু।

থৌবা— করি মুক [illegible]গদবা কৈবি ইশেন।

অঙৌ—ননাই [illegible] অ[illegible] [illegible] [illegible], কৈ[illegible]ও লাও-নে লাও[illegible], নঙ মাক্মাসি অমুক্ত [illegible]হেসি লাওদনা— [থুরুম্মী] ইনাই দ দব[illegible], থোক্রু[illegible] নশেন্ন। ন[illegible] ই[illegible]বা ঙমজরে, [illegible]বিন্থ— [নুঙাইতনা মপি তৈথোকই] আঃ

অঙৌ— চিংনমু চিংনমু মী হায়বসিদি শিগদবা ঙাক্তনি - অকোন অহানগী ব্রাদনি।

থরো— [খুরুমজুনা] তাচৌ নচলবু ব্রাবৌবিনু ইচাসিদা ঙাইবসিদা ছন্দোকপা ঙমদ্রজুনা লৈহৌজবনি। ইনম্মখোয়দা শাওদনবা ঙম্বীয়ু।

খোবা— ফৈ ফৈ ইচনসিদি- ইচন্না লুখ্রা ওইগদবগী শরুকপুদি মী মচানা লুখ্রা ওইজহৌবনা ফৈদনা। হৌগৎলো হৌগৎলো— করিমন্তা নুঙাইতবা তৌগন্ন হচনসিদি।

ফৈ— মাম্মবু [খুরুম্মী] হন্দক্কী মতাংসিনি পাঙ্গল থোকপা ঙমজিন্দ্রে মাম্মগী লমন হয়েংমুক্কী মপোক্ত শিংজগে।

খোবা— য়াই যাই, ইম্মাকসিদি— মথং লাংলোন অমদি পোকপা পোক্তবা খৃদে. হন্দকপু নাম্তোকহৌরবদি ইম্মাকসিদি।

পাউ— অদুদি লেংংসিদো।

খোবা— লেংংসি— এ মক য়োনবা চৌথ্রগে।

হে লাইরবা। থব্রাংবু শেলগা ওন্নবা ঙল্লবা হুজিক্কী মতমসিদা পোকপগী মহৈ য়ানবা গায়ববু— শেল য়াম্না হিংলিনৈডদা তাল্লম্বা, শিথ্রগনা মচা-মশুগী থনম্বা—বস, লাইবক্না তম্বা লাক্লনি [২মক থোকখিবা]

অঙৌ— থবোশং।

থরো— মাই পাজি।

অঙৌ— ফৈজাওসনা।

ফৈ— পাজি ।

অঙৌ— থরাইদি হিংহৌরে হায়ববু মকুদি নিংথিনা হুরেহে ।

থরো - ভাল্লগদা ফংবা শেন্দুগী করি 'মুক রাক্লগদগে ?

ফৈ— ঐথোয় অমত্তা শিদনা লৈমিন্নহৌরিবসি ফত্রা পাজি ?

অঙৌ— অহুবুদি ফৈ, অহুগা হোরেল করিগুম্বা চাও-লাক্ত তৌর-
বদি ঐথোয় শোয়নিকো।

ফৈ— নিংথৌ মনাই অঙম্বা য়াওরিবহুদি ।

থরো— মানা মঙ্ৎ শিন্দুনা মরাইনা চৎচখিনি। ক'ব চিংনিঙাই
লৈবগে ?

ফৈ— ইমা চাক থোংঙু রোবা !

অঙৌ— হায়গুম্মদনা মমা। পাখৎমনখিহুনা ঙসাই অয়ুক্তগী চাক
চাগনি হায়বা কাওগ্রে । চৎলো ঙা অহাওবা অমহুম
চাসি।

ফৈ— শোয়রমগনিদা ঙসিদি—
শিরমগনি ঐহাক, হিংচাবী চাকথাদ মাবু হুন্দোক্রম ঐগী
মুংশিবদি শঙ্গোমনি। ঐনা শঙ্গোম পামজবা কাংঙনি।
নৈরু নৈরুগা শঙ্গোম, কারকই শঙ্গোমপাল, মাখন শুংবা
য়াই, মখোন্দগী ঘী শাবা য়াই, শঙ্গোমদগী বেরা, লহু
অহাওবা, হাওর-হাওরবা চানবা, মহুনি ঐগী মুংশিবা।

পাউ— [পাখৎনা লাও-লাওহুনা]
হো কনা কনা লৈবগে— কনা কনা লৈবগে !

ফৈ— কৈদৌরে তাদ অঙম্বা।

পাউ— য়াদ্রে, নখোয়গী আশাসু কায়রে। ঐগী রাখলসু তোয়রে।

ফৈ— করিগী?

পাউ— নঙগী মাম্মা লম্বীদা পাড়ৌনা তক্ননা শিহৌরে।

ফৈ— [পাখৎনা, হৌনা, লাওনা] পাজি-পাজি, ইমা-ইমা!

অ+থ কৈদৌরে ইবুঙো—

ফৈ— ঐখোয় মাম্ম লৈত্রে।

অ+থ—[পাখৎনা] হা, নঙ মাম্ম লৈত্রে কায়বা।

অঙৌ— থরোশং।

থরো— মাই পাজি। [রাখলনা উংচুনা ফমথখি]

ফৈ— তাদ অঙম্বা, হুজিক ঐখোয়না তৌগদবসিবু করি উপাই লৈরি।

অঙৌ— হে লাইবক ঙসিগী মুমিত্তা অমদি শিয়ুতমগ্রমাল্লে শেলসু মাংবা তারবা, থরাইসু।

পাউ— হুজিক নোংয়াই য়ৌগদবসু মতম কুইশিল্লক্রে। অহু-আদ থঙদে ঙসিগী মুমিত্তা অমদি য়ৌবিরক্কবা য়াদে-হিংচাবী চাকথা শোইবা য়াদে।

[থোকখিবা মমা মচা মখোয় অতুম লাওনবা]

মাংজরে, মুৎলে; তাক্লে, করিনো ঐখোয়না তৌগদবা?

থরো— ইমাগী ইবুঙো মুংশিবা কৈজাওসনা, ইমাবু করি ওইর-সিগে লুপ্রা শিংদ চন্দুনা হিংগদবগী শরুক ইমাদি নখোয়

থবো— মাং থাহ্না শিজগ্গেনে— মুংশিবা।

অঙৌ— ঐনা ইমুংগী অহলনি, চহিদম্ অহলনি, ঐনা হান্না শিফম থোকই।

ফৈ— মমা-মপাগী লমন তোন্দুনা শিগদৈ শরুক ঐ হান্না, শিজ-খিগে।

অ+থ—ঐখোয়না হযেং শিন্নগা মরু খুনবিনবা লৈতেনে ইধুঙৌ নঙ শিবা য়াদরি— শাগ মুৎহৌগনিয়ে।

অঙৌ— কান্নদে ঐখোয়না কপ্পহৌ কবি থান্নগনি— সে, ঐ হান্না হায়গে ঐখোয় পূম্নমক লোইনা তুম্নব স।

ফৈ— অহুদগীনি হিংচাবী চাকথা কনানা চৎপা ?

অঙৌ— ঐখোয় লোয়না তুম্নবসি— অঙনবা অমা কেক্ক শোনৎ-লগা চৎসি, নমা খঙদে, নহ খঙদে, ঐ খঙদে।

থবো— হোরেল 'মুক হৌদোক্লগদ্রা ?

অঙৌ— হৌদোক্লদবী— মাগী মাগী কাদ তুম্নবগা অঙনবা অমনা হান্না কেক্ক চৎখিহ্না হিংচাবী চাকথা ওইকবা— মহুদ শোয়দনা খংগনি। মমা মপাবু মচানা মুংশবরা ?

থবো— মমানা মচাবু, মপুরোইববু মুংশিবরা।

ফৈ— মচানা মমা মপা মুংশবরা।

অঙৌ— কনা কনাগীদমক্ত শিবা ওম্নবগে য়েংনবসি, তুম্নরুবসি মাগী মাগী কাদ চংনর স। [মরি-মরি চংখি—মৈতাল মমাং নাখোকপা য়াওনবগী মখোল তাই]

থরো— [তুম্মু হৌগৎলকপগী মফি-মরোল শেমজিন লাকশিন্দুনা থোরকই]

মথুক্তা পোৎয়োম পাই—

ঐহাক শিনিংঙক্তে, [২] ঙসিদি ঐখোয় ইমুংগী মী অমদি শোয়দনা হিংচাবী চাকথাদ শোয়্রে। ইচানা, ইরানা ঐগী শিরমদাইদা কবি তৌবিগনি। নক্তে নক্তে অমুক মুভাইবা সংসার অসি থাদোক্তুনা ঐ কবিগী শিরুগনি। ইপুরোইবা মা অমা কায়নগ্রবসু অমুক ইথুম পাল্লগা ইপু-রোইবা ফংগনি। মুংশিবা অমা কায়নগ্রগা—মাগী নাক্ত অহল লমন্না থাজরকপনি। ইচান্নু ইযুম পাল্লগা লৈবিবা ইচাসিদগী মুংশিবা কয়া ইমিক্তা উৎকপা য়াই। অতত্তাই তারক্লগা ইচা-ইরা কান্নদে ঐ হিংহৌবগা লোইরে [P]আদগী সোরোক্তা চৎলিবা অসিবু কনা ওইবিগবা, নহা খঙদে, অহল খঙদে, মাগী মতুং ইন্দুনা চৎপ্রগা লোইরে।

তোমচৌ—[মখুক্তা লালটেন অমগা থৌরি অমগা পাইদুনা শল শিবগী মওংদা চৎলি।]

থরো— [মনাক তম্না চাশিল্লকই] কোইয়েং য়েংবদ তোমচৌ ওই-রম্বদা হরাওনা— তাদ তোমচৌ।

তোমচৌ— [খঙদুনা।] কনানো ?

থরো— ননাও থরোশংবু মশক খঙবিত্রব্রাও ?

তোমচৌ— থরোশং, অমুক থেংলবা মতমসিদ নঙদি কদাইদা ?

থরো— ঐদি ত্তাদবু ঙসাইমখৈ কৌবা ঙমজরুদ্রবনি, অদুগী লৈশাবিগী মালোম অদু হুজিক ফাওবা পাইম কিশি থাংলমগদ্রা হায়দুনা।

তোম— থবোশং, নুংশিবা হায়বসিদি 'সি ঙাক্তান। মতম অদুদদি লাইব মচা ওইবনা নঙগী নিংবা থুংহনবা ঙমখিদ্রেদো।

থরোশং—ঐগী ইরাল পূথা ঙাকপিয়ু।

তোম— মরাল লৈরিবদি ঐহাক্তি— নিংথৌ কোনগী গমলা থক্ত শাৎপী লৈরাংবু মতিক মপা চাদবা ঐনা পামজরুবা খোইমু ঐগী ইরাল নত্রগে ?

থরো— মদু পূমমক লাইবক্তা শঙা ঙাক্তুনি। হুজিক চৎপিগদৌবিবা অসিবু কদাইদনো ?

তোম— ঐ নহালমখৈ লরাইদা শিং য়াল্লুবনি, ঙসিদা থুংলবনি, মলগাড়ী মনিংদা মল অমা চিংলকপনি। মদু ঐনা ঙৈহাক উাইরিঙলা লম্বাদা তক্নুনা লৈহৌরে— মদু থিবা লাক্লিবনি ঐদি লাইবি নঙবু কদাইদনো ?

থরো— ঐসু ঙসি সংসার অসিদা চংজফম লৈত্রবী অমা ওইরে।

তোম— করি ? চংজফম লৈত্রবী— নত্তে নঙবু মরুপ অঙোগা খায়নরক্রবরা ?

থবো— হোয় তাঙ্গোকপিরক্লবনি— লাইবক্ত তমদবা হায়দুনি।

তোম— ফত্তেদা মরুপ, নুপীবু অসুক হন্দনা লৌবা।

থবো— হুজিক ঐগী পুন্সিবু কমদৌবিবা তারিবগে ?

তোমচৌ— থরোশং নঙবু তশেংনা রা লে য়নরব্রবা ভাৎলনে ।

থরো – অমুক মাগী মরা পনবিরক্লগনু— ঐবু চংজফম পিবিযু [খুরুমই] ঙসিদনা নখোং পাইহনা সেবা ফংজগে।

তোম— ঐবু অনি লোনবা পারব্রা ?

থবো— মমাংঙৈগী লৈশাবীঙৈগী মাই থাকপা ঙমক্তখিদবা হৌখিবা ঈশাল পুন্সা ডাকপিহনা ঙসিনগী সেবা ফংজবগে ।

তোম— থরোশঙ নঙবু তশেংনা লেপ্পব্রনে ?

থরো— পূকচেল অসি তিংনা হায়জর।

তোম— ফরে কমদৌনি, লাইবক্ল তম্বা হায়হনি । নঙসে ঐগী অহাম্বা মুংশিত্তবী মুপীনি । নঙগী অরাবা তারগা ঐনা করম্না য়েংহন লৈগনি । লাকও চৎলসি যলগা অমত্তা থিররোই । অত্গনে হয়েং যুমদা পুশিল্লগা অহনগা অতোম্বীগা খৎনবহু পামজদে ।

[· অনিমক থোকখি —]

অঙৌ— [মমিৎ নোয়রহনা থোক্লকই— খুনিং কাংহনা থোরকপা, থোং তপ্না হাংদোকই]

ঐনা ইহান হাল্লব্রনে ? মমাহুবু তুমলিগদ্রনে নব্রগা ফৈজাওহুব, হৌগত্তনা চৎব্রব্রা ? ঐব, য়েংলুসিবা— কান্নদে ঐ শিবা য়াদ্রি। নোংয়াইগী পুং য়ৈবক্কদবদি খজিক্কা ঙাইবম্লগনি, সোমদনা হিংচাবী চাকথাগী মতম য়োৌরক্লগনি । ঐগী ইতু- ইচা অসিনা কান্নবা করি তৌবিগ্রে । কৈশু

তঙৌ— তৌবিদে— থবক 'মত্তা শুদে। মখোয়ব্ থাকুবা হোৎনবগী হাজিরা শুবদা ইকু হুবে। ঐ থবাইসিব্ মাং-লগদ্রে— হুম। অপংবা তানি। ঐহাক লৈত্রবদি সংসার লৈদ্রে, ঐনি সংসার। ঐব্ হিংলবদি নুপীসু থিরগা ফংশ, ইচা নুংশিবসু ফংলক্কনি। অতনাই তারক্লগব্ ঐনা কনাব্ নুংশিক্লনি। থবাই হিং.বা চেল্লগা লোইরে। অদুবু ঐহ ক লমদম অ সদদি লৈবা য়াদ্রে। অসাংদা চেনখ্রগে ফিভম অসিদদি যাদ্রে— লম্বোইবগী ফিভেৎ ওল্লগা চেন-খিবা তাই— [লম্বোইগী ফিভৎ উপশিল্লগা হরিনাম শোল্লগা থোক খ]

কৈ— [খুনিং কাং-কাংহুনা থোং তপ্লা চাংদোরকই, থোবকই]
ঐাদ শিনিংদ্রিদ। ইমাগা পাজিগগী মবক্তা অমনা হান্না চত্তুনা হিংচাবী চাকথাগী চাকথা অদু পাংথোক্লম্লবদি ফনিদ। ঐনা করিগুম্ব হান্দুনা চৎপা ভারগনা ঐনা হান্না শিদোকপসি চুস্বা? [P] চুমদে। ঐগী নুংশিবা নুপীনা ঐনা চৎখ্রগা মানা নুংশি কায়ন মৈশা লাংহৌব— ঐ শিবা য়াদে— ঐ নহানি – সংসারগী অপাম-নুংশিদ তাও-হুনা লৈগদবা মতমনি। করিগুম্বা নিংথৌনা মশক খঙ-খ্রগা কমদৌবা—মেবাগী পূর্ণিমাদনি ঐথোয় অনি চেনশি ভাংনবসু— শকফম অসিদা অস্নুম লোৎপা চুম্লীত্রা চুমদে ঐ অভাওবা শাহুন। হিংচাবী অসিনা শিদ্রিফাও কৈথেলদা

লম্বীদা কোয়চং-চত্তুনা হিংগে। অহুদি ঐগী কিজেং অসি হোংলক্তকপা তাই। [ইমুংদা চংখিহ্নবা শেগাই-তুগাইগী ফুরিং ফিরোল শেৎহন্দুনা থোরকই, অঙাওবা মায়বা শেমই অঙাও অকৈগী বাঙাং শাঙাং থৱ ঙাংহুনা থোকখি।]

—ঐনি নিংথৌ

নৈকাই অসিগী, খুজংগী মুপী অঙাংশিংবা ঐবু য়াই, ঐবু খল্লি,-মীনা মুংশি ঐবু হা-হা-বা। মুঙাইরে ... ...।

শাউমী—(চংলকপা)

হো ইমুং অসিবু কমা কনা নৈখগে?

নোংয়াই চমুক লোয়ক্লকাও মী অমত্তা য়ৌরকত্রিবা অসিবু কৈদৌরবগে? হিঃ কমামত্তম্ থুম্নক্তেনা তুম্বা কৌগৎনত্রিব্রা এঙ্গিনে'' —' 'কাবা) ইমুংসিবু কনামত্তা নৈত্রব্রাও?

[illegible] দোবই [ইমু' চংহুনা য়েংবা]— ইসঃ কনামত্তা নৈয়মল্লেনা, লোইনমক চেনল্লে ঙসিগী হিংচাবী চাকথাসি কমদোবা তাবা? ছমঃ মথোয় ঙসি অহিং থিহন্দবা য়াদে। ঈনিংথৌদা চত্তুনা থুদক্তা হঙ্গংলুদবা য়াত্রি।

—চেনথিবগী মথোল—

Light Off

লোইরবা

মহাকাব্য

শকুম

ম্নপা কবি : মহাকাব্য লেৎবা মী

সোয়ায়েল : লাই কবিগী থৌনা হাপ্পা

ম্নংশিবা : পৃথ্বীবু ম্নংশিবনা জয় তৌনিংবা

ম্নুঙাইবা : ম্নুঙাইবনা মীওইববু শিবদগী হেল্লি তাকপা

অশাওবা : অশাওবনা মীবু মাংহল্লি তাকপা

বল্লকপা : মীবু বল্লকপনা য়াহন্নবা হোৎনবা

নাপল : মীওইবগী হকচাংগী নিংথৌ নাপল

অশিবা : ম্নংশিবা ১স্নং ম্নুঙাইবা জয় তৌগনি হোৎনবা

অয়ানা : নাপলগী থোং শংবা হুত

ম্নপী কায়নবা : মীওইববু অয়াবদা লংথনবা হোৎনবা

অপান্বা : ভুত্তনা হোৎবা মীওইবগী পুক্নিং তাকপা

মহাকাব্য

অহানবা তাংকক

লাইরিক ইফমগী কা অমনি, টেবল মথক্তা লাইবিক
লাইশু খর চাইখাইদুনা লৈ। পালং অদু তপ্ন
লৈখৎলক্লি অসুম অসুম ঙানখৎলি শিল অদু
হাযদোবকপগা লোযননা কবি মমাংদ বয় অমা,
মাইথোং অদু চুবানা খুদো নতুনা লুকক্লনা থাখল
তৌদুনা লৈরি।

কবি—[মতোমতা] নোল্লি ইকোকসে লুরুক্লন মতমচুপ্পা উপালগুম
চংজৈ খযুম অথোইবা নঙোন্দা তোল্লবগুম
তাজদুনা হিংজবনি, নঙগী ঈশৈ কাউডমদবা
থম্মোই থম্মোই খুদিংদ শকপা ঈশৈ মুংশিজবা
কৎলনি লু-তোং নঙোন্দা থবাই পোম্থানম
থাদোক্লবনি পূম্নমক, চংজরবনি নঙোন্দা ঙম্নমক
পিম্মো ঐঙোন্দা, য়াইফ তরং মপাউ মুঙাইবা
নঙগী পুংলোন তাম্বাদ শাজগে মহাকাব্যগী জগোই

[ষ্টেজ অদু পুমমমমই, শুপ্নগী স্পোট লাইট অমথক্তনা লাইনিংথৌ
সোরারেলগী মমাই অদুতমক কবিগী মায়োক্লবা মফমদা চৌং
লেপ্না লেপলি]

সোরারেল— হায়য়ু কবি ওসিদি নওগী নোঙ্গুক রাইদা পেল্লহুনা তাইবংদা ইখোঙনা থো,না কুম্লক্লবনি। বরি পাম্মী নওনা অপামবদা হায়য়ু ঐ পিগনি।

কবি— [খুকুম্ন।] তরংদা য়ুমলিংবা থয়ুম ঈপা সোরারেল।

সো — করিনো নওনা পাম্লিবদো।

কবি— ননাই ঐ মহাকাব্য অমা ইজগে। মহুক্ত ভম্ব' থোনা নন'ই ঐঙোন্দা পিনবিয়ু।

সো — পিনি,অহু ওইরবদি নও ঐগী মাংদ বাশক অহুম শকপ তাই

কবি— করি বাশক্লো প্রভু তাকপিয়ু ননাই ঐঙোন্দা।

সো — নহাক তশেংনা লেপ্লব্র।!

কবি— লেপ্লে প্রভু।

সো — অহু ওইরবদি তারো, নহাক অহানবদা ব্রহ্মাচার্য্য চৎকদবনি য়ুম পাল্লোইদবনি কায়য়ু নও এহু ভমগত্রা?

কবি— ভমজগনি প্রভু, মথং অনিহুমক্ত তাকপিয়ু প্রভু।

সো — অনিশুবদা নহাক মৈ চংবা পোৎ চাবা য়াদে। অহুমশুবদ নশাদা মৈ ঈশিং মুংশিৎ 'ভয়া লৈগী চাং চপ মান্নবা থমগনি বাশকউ। অহু ওইরবদি নহাক মহ'কাব্য ইবা ভম্নবা লেপ্পবক মঙ্গল পিগনি।

কবি— অনিহুমদি ভমজরগনি, অহুশুবা বাশক্কগী অর্থ কম্মিনো?

সো — অশাওবা কল্লকপা য়েংথিবা অবাবা অমত্তা লৈরোই, পুক্লিং ফহুনা থমগনি হায়বনি।

কবি— কনি, ননাই ঐ মাশক অহুমহু ভাক্না চৎচগনি।

সোরারেল— মাশকউ।

কবি— অহুম অসিবু হক ভমত্রবা ইপা ইমাগী মকোক চাবগা মায়না ফংগদবা পাপ অহু কংজগে।

সো— লেপ্পমক, নমাই পাকউ। [থো লৈবিবগী মওং]

ক'ব— লৌক্লালৈল, প্রভু।

সো— অহুগা কবি, কবিগী মরমদা নহাক মহাকাব্য ইগদৌবি। কমন্থা লা ওনগী মরমদা।

কবি— প্রভু মীওইবগী মরমদা ইজগনি। মরমদি মসি চহিচা কযাদগী লৈরক্লবা মীহৌরোলগী ইতিহাসনি।

সো— নহাক করি করি রসনা মরু ওইগদৌরিবা। হায়যু তানি।

কবি— প্রভু ননাই ঐহাক্না ইগদৌরিবা রসশিংদি মরুওইনা অহাবদা মু শি মু ওন [শৃঙ্গর রস] অনিশুবদা থৌনা ফবগী [বীর রস] অহুমশুবা অঙকপা [অদভুত]।

সো— অহু অ'ত লমহৌবা রসশিংহুদি।

কবি— হাপচগনি প্রভু।

সো— লেপ্পমক মঙ্গল ওইযু ঐ চৎলে। [থোকখিবা]

—ষ্টেজ অহু পুমতান ভাম্মোরকই

কবি— হৌজিক ঐহাক অহাবদা শৃঙ্গার রস [মু শি-মু্‌ওন] গী মরমদা অহানবা চা য়েং অমনা লিলা অসিগী অহানবা ওইরগে। [ষ্টেজ পুমম মমশিনথি ষ্টেটদ লাইট অমথক্তনা কবিগী মমাই

অতুতমক উই] মতৌত্থু লাই মুপা অমথক মাগী মমিংনা মুংশিবা কৌবা পৃথী অসি জয় তৌরগে হায়তুনা তাইবংদা খোঙদারকই। রামনথিবনা চোকথিত্নুনা কল্লকপা কৌবা পাম্বী অমগী উরাংদা ভাত্নুনা ঙৈহাক তুম্বিন পোথারি। ষ্টেজ অতুগী য়েৎথংবা মমাংগী মচিন্দা 'মুংশিবা' উথাদ পোথারি। মতাং অসিমক্তদা 'অপাম্বা' কৌবা লাই শুপী অমা মুংশিববু খিরকখি। ষ্টেজ অতু পুমঙ্গান ঙাম্থোরক্লে মতম অসিদা কবি মমাই লুকথত্নুনা লাইরিক ইরি।

অপাম্বা— [মুংশিবগী মনাক চংশিল্লক্ত্না] কয়াদ মুংঙাইনা পোথারিবা, কমদৌনা মাবু হৌদোকসিগে [ঙাইহাক খনবা] লৌরগে লাইরেম্বীগী শক্তম শারগে অতুঙৈগী জগোই --

[জগোই একতিং ১/২ চথবা]

মুংশিবা— [মিংকপ থোরকপা] কনানো, ঐবু তুম্বা থুগাইরিব নহাক কনানো।

অপাম্বা— ঐহাক তাইবং শেমগে চোংথোরকপা লাইরেম্বীনি।

মুংশিবা— অতুগা করিগী ঐবু তুম্বা থুগাইরিবা।

অপাম্বা— ইতোমতা শেম্বা ঙম্লোইদৌরে নহাকস্তু ঐগী ইত্তেং খর পাংবিয়ু।

মুংশিবা— ঙম্লোই, ঐ করিমত্তা ঙম্লোই।

অপাম্বা— করিগী।

মুংশিবা— ঐ মুপীশিংদা থাজবা ঙমদে, অতুগী মথক্তা মীওইবা খুদিংমকী থম্মোইবু খুত্নুম চমগে হায়ত্নুনা শায়োল্লক্লিবনি। ঐ ঙম্লোই হায়রিবসিনি।

অপাম্বা— অপাম্ব ঐগী হকচা ন সুংশিবা নঙগা কেনবগা তাইবং-
পানবা অসিদা ইচা-ইশু পোক্তুনা, সুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না
পানম্মিন্নসি ।

সুংশিবা— ঙমজরোই, তিন্নববদি খংনরকুই। লৈমিন্নদনা লৈমিন্নসি ।

অপাম্বা— কায়দে, লাকও চৎমিন্নবসি । [চিংগে তৌবা]

সুংশিবা— কদায়দা ?

অপাম্বা— মফম অমা লৈ, মহুদা ঐখোয় অনি লৈগদবা !

নাপল — [চংলকই, লাপ্প মখোয়বু উই] [নোকই, হয়াঙই] ও!
সিদা লৈরেদনা । ঐনা 'খিয়কপা সুপীদি সিদ লৈরেদনা।
কদায়দনো মানা লিৎকদবা ঐগী ইম্যাংদা, যৈ ঙসিগী সুমিত্তা
মাবু কাদবা য়াদে । সুংশিবা মানা ঙস্ন্া নাপল ঐনা ঙস্ন্া ?

সুংশিবা— ঐবু অমুক লম্মুক্রহল্লগেরা ?

অপাম্বা— মত্তে, ঐখোয় অনি সুংশি য়াইথুংমসি ।

[সুংশিবগী মখুদাং পাইহুনা ওইথংবা বিংস মম্না তায়া চংশিনখি
অশাবা মুত্তিগুম ষ্টেজদা লৈরিবা মীয়াম পুম্নমক চপ-চপ লেপ্লি
কবি ইবা তোক্তুনা খুং হায়য়কই]

কবি – অমুম্মা শৃঙ্গায় রসকী অপাম্বা অমসুং সুংশিবা কৌবা লাই
অনি অসিনা অপাম-সুংশি থুংনবমদাইদা 'নাপল' কৌবা মশান
মশাগীদমক্ত চাওথোকচবা লাই অহুনা অপাম্ববু ফাগে হোৎনরে
সুংশিববু লাম্বেংনিংলক্লে । মানা মাগী মরুপ অশাওবা হায়বহু
খিয়ক্লে। [কবি লাইরিক ইহুনা লৈক্লে]

নাপল— [কোয়য়ে য়েংবা] নত্তে, মহাক অহুবু কদাযদা চংশ্রে নো ?
হে অশাঙবা করিগীনো নঙনা ছুজিক ফাওবা ঐগী নাক্ত লাক্ত্রিবা। য়েংউ, ঐগী নাপল পূম্নমক অশাঙবা নঙ লৈতবদগী ঐনা করিস্থু তৌবা ঙমদ্রে। লাক্লোগবা নহাক ঐগী থুংশু খুংলাইগা লোয়ননা। হে অশাঙবা, কে মৈ, চাথেক্লাসি পৃথ্বী।

অশাঙবা— [অশাঙবগী মমাই উত্তুনা থোরকপা] করিনো নাপল নঙনা ঐবু কৌবদি ?

নাপল— প্রলয় তৌরসি হায়দুনা কৌবনি।

অশাঙবা— করিগী ?

নাপল— ঐ অশাঙববু থুত্নম ঙমগে হায়দুনা লাক্লিবনি। অদুগা মহাক্কী তু। [যাম্না খাংথা চংথবগী মঙ নি] মাস্ন মুশিনহনগা চংমিন্নত্রে। ছুজিক ঐনা মাবু ফংনবা কৌর পাঙ্গে তৌগনি।

অশাঙবা— মুংশিবদি অশাঙবা ঐনা ঙম্মী। নঙ মহু লাই হাপ্পগী বারী তারবনি।

নাপল— কমদৌনা।

অশাঙবা— অশাঙবগী মযমদা মুশিনা লৈরকে, ঐদি মীওইবগী লুতোং পুন্নিবা মৈ হায়বা অহুনি। মবু লৈরবদি অহুংব লৈতে মুশিবদি ফজবা, মবুকচেল শংগী ৱারনি। কদায ? কদায চংব্রে।

নাপল— নহাক ভুলগত্র ?

অশাঙবা— করিগী ঙমদনি।

নাপল— অহুদি মকপ, নহাক থর হোৎনবিয়ু। করিগুম্বা নঙনা অপাম-
বসিবু থুহুম চনবা ওম্নবা সৈত্য। নঙগা ঐগ ঐনা পাল্লিবা
লৈবাক অসিগী তঙ্খাই তঙ্খাই য়েম্নহুনা নিংথো ওইমিন্নসি।

অশাঙবা— নহাক তশেংনা লেপ্লেনে।

নাপল— লেপ্লবনি অওইবা।

অশাঙবা— কৈ অহুদি মখোয় অনি কায়নবা ঐ শিনগে। অহু
নহাক তুজিক কদায়দা চৎলুখিননি ঐখোয় অনি চৎমিন্নসিরা।

নাপল— নত্তোমত্ত চৎপা কিবরা।

অশাঙবা— কিদে।

নাপল— ফরে মুমিদাং থেংনসি। [থোকখিব]

অশাঙবা— ঐহাক কনা থিসিগে। ও! [নিংশিংলকপগী মঙ্
ঐনা মতম অমদা মরি লৈনরম্বা মুপী 'কায়নবা' মহাক থিরুদবা
য়াদে। ও! লাকপম্মু লাক্লে, মফম অসিদা ডাইরগে।

কায়নবা— [ফি ময়োম অমা পুহুনা থোংকই] উন্নখিদবা কুইরে,
কম দা'র, মুংডাহৌরনিনা।

অশাঙবা— হৌরক্লু শকনিবী।

কায়নবা— ফজরেদা নডদি। চন্নফম লৈতবা।

অশাঙবা— কদায়দনো, অথেংবসিদা করম্না কৈথেলগী করম্না
উংখোংদা লেক্রুগদৌরিবনো?

কায়নবা— নমাম্নবা অমত্তা তিন্নবা য়াদবা নঙগুম্বরা ঐবু।

অশাঙবা— মিৎকুপ থুদিংগী তাম্বোরকপী নঙগুম্বী নত্তে।

কায়নবা— লম্বী থাদোকও চৎলগে।

অশাঙবা— কদায়দনো ?

কায়নবা— থঙদে, কদায়দনোম হেক্তা চৎগ্রগেসে।

অশাঙবা— ঐ নঙবু ঙাইরম্লিবনি।

কায়নবা— করিগী।

অশাঙবা— ঐখোয় অনি চুংশিন্নদবা য়াদবা বা'মা লৈরে।

কায়নবা— করি বানো ? শেল ফংগদ্রা ?

অশাঙবা— করিগী ফংদনি, তম্লি মাগী থবক তৌবা, লিকম্লি।
মাপলতমক তৌই, শেল পিগন্দে। হেয়া মানা ঐডোন্দবু, মতু য়াগদ্রা।

কায়নবা— কৈ নঙনা মতুগী দয়িত্ব লৌগদবনি

অশাঙবা— এ! ঐনা লৌনি হায়রিবসিনি।

কায়নবা— বাফমতু করি বাফমনো।

অশাঙবা— কৈগুম লৈতে, মুপা-মুপী মুংশিনবা থুগাইনবগী বাতনি।
ইয়াই লাইবা থবক্নি। মুজিক নঙনা লাক্লিবসি কদাইদগীনো।

কায়নবা— কদাইদগী ঙাইনি, মীগী যুমদগীনি।

অশাঙবা— কনাগী যুমদগী !

কায়নবা— মচা 'মত্তা পোকচবী, মপুরোইবনসু হুন্দোক্লমবী মুপী
অমগী মচানুপা অমত্তা পোকচবদো লৌশিন্নগা লাক্লবনি।

অশাঙবা— কনানা হায়দনা নঙনি তৌরুরিবা।

কায়নবা— ক নানা হায়নি, নোংদম্বগী ময়াথংনি।

অশাওবা— লাইম ফজমন্দেহে মুপী নঙ !

কায়নবা— কম্বিগী ।

অশাওবা— মনেম মকু চারে, মবা মপুরোইবা চায়ে, ওক্লেদনা অহু-মঙাই, অহুদগী কম্বিগী অমুক মীগী মচা তগৎ তগৎ ভেকপদো চাখোকপিরুরিবা ?

কায়নবা— নঙদি করি খোইনা ফজরদনা —নঙদিনা— মঙমবু চ প্রবদি মমা-মচা কায়মহল্লি,হাংনহল্লি মরুপ-মপাং য়েংথিনহল্লি নঙদি করি ফজরিবা ?

অশাওবা— ফরে, অঙাং অঙাং চুমরি হুজিক ঐখোয় করি তৌশি কায়বগে ।

কায়নবা— ঐ কল্লক্পা হায়বা অহুমতংপা থিরুথিবা তারি ।

অশাওবা— করিগী ?

কায়নবা— নহাক কাওরব্রা মতম অমদা ঐখোয় অহুম পুম্না রাশক-মিন্নথিবদো ।

অশাওবা— করি হায়না, ঐদি করিমত্তা নিংশিংবা খোক্তে । হায়যু, করি রাশক্নো ঐবু অমুক নিংশিংহল্লু ।

কায়নবা— কাওগদু ঐখোয় ওপুম্না লৈমিন্নরবা মতমদতা মীশিংনা মরু কংনা মাংই ।

অশাওবা— কমদৌনা ?

কায়নবা— কল্লকপা কাওরক্লবা মতমদতা মীওইবনা অপাম্বা হায়বা অশিবু তাল্লকই । অপাম্বহু ফংলক্লবা মতমদা মীওইবনা

কাওনরকই। শাওরবা মতমদা মীওইবনা মাংনবা তৌরকই। মাংনবা শিল্লবা মতমদতা মীওইবনা কায়নবা ওইরকই। কায়-নবদা মীগী পুন্সিদো মক ফংনা মুংলে।

অশাওবা— চুম্মী ঐহাক নিংশিংলক্লে। হৌজিকমক কল্লকপা কৌদবা য়াদে।

কায়নবা— ঈশৈ— হো থঙলেন নঙবু তাদ্রবনে পামুবা
নংনাও লাইবক থীবনা।
কোরো, লোয়দান কুমজা কয়া চুপ্পা
হো মু শিবা, নঙবু ডাইখো হাযবগনে
মু শি য়ারা মদা তারবা হো অমুভাদ
কল্লকাখাগবা মুংশিব।

কল্লকপা— [মন্ত্র দগী] হো মু শি য়ারা তাম্না নায়ৈ নখোলবু তাদেনে পাইমা পূক্লিং হাংনৌম্ম মু শি খোঙকায় তৌয়রক্লগেনে[খোববই]

কায়নবা— নহাক লাক্লগনি। পুক্লৈবদে। হাবেদনা।

অশাওবা— ঐ নখোযবু ডাহ মীবান।

কল্লকপা— করিগী

অশাওবা— ওসিদি ঐখোয পুন্না পাক অমা তৌমিন্নদবা য়াদ্রে।

কল্লকপা— করি থবক।

কায়নবা— অপাম্বা হন্নু মু শিবগী মুংশনবা থুগাইনবা।

কল্লকপা— কনাগী য়াথংনো?

অশাওবা— নাপল হাযবা নি খৌদুগী নি। ময়াথংনি লৈবাক্ত তাহনবা য়াদে। চৈরাক চাওনা ফগান।

কল্লকপা— ফরে অছুদি ঐখোয় চংশিল্লসি ।

কায়নবা— কদাইদনো ঐখোয় থিকগদৌরিবা ।

অশাংবা— মখোয মখা পাংনা হায়থপ্লবনি। ঐখোয়সু অমুম তাম্লভুনা চংশ্রসি। [মরি মরি থোকখি]

কবি মমাই থাঙৎলকই—হাম্লগী মৈগী মওংতুনি—

কবি— তুডিক অপাম্ব ১মুং মুংশিবগী মুংশি থোউফম অসিদা কায়নবগী মহাং [বিনাহ রস] অমা অমুক হাপচিনবা তারে, মরমদি কাযনবগী তোরৈ কয়' লাল্লগা মুংশি ঈপাক য়োগনি।

[কবি অমুব লাইরিক ইতুনা লুকথখি]

কায়নবা— মথুক্তা লোইশিন্দ্রিবা লৈ লেংবগী পরেং অমা পাইবতুনা ভাইতুনা লৈরি, মু ভাইতবগী মওংদা লুকথরি, অরাবগী মওংনি, য়ায়া নিংবা কাযরবী অমগী পুন্সিগী থোউফম্নি। ঐকাক মহাক্লা লাক্কদৌরিবা, ঈশিংখোং মযা অসিদা ফমতুনা লৈরগে।

মুংশিবা— [ঈশিং শোক্লবা পাত্র অম' পুতুনা প্রপপ চংলকই চংখি, মমু দগী ঈশিং শোকপগী মথোল থোরকই]।

কাযনবা— কনা ওইরবনো ? পুকচেল চাওরবা মহাশয়।

মুংশিবা— করিনো, পেংলবা, চিক্লবা মতম অসিদা নতোমতম মফম অসিদ ফমতুনা লৈরিবসিবো।

কায়নবা— ঐহাক খাবল থোয়কপা ভাইরিবনি ।

মুংশিবা— করিগী ।

কায়নবা— শিগদৌরিবা।

মুংশিবা— করিগী শিগদৌরিবা ।

কায়নবা— ঐগী পুন্সিদি নিংবা কায়রবীনি। অদুবু ঐনা ঙসি শিরমদাইগী মতম অসিদা নঙগুম্বা পুকচেল চাউবা অমত্তং থেংনবসি ঐগী খ্বাইদগী লাইবক ফবনি ।

মুংশিবা— মরমদি।

কায়নবা— ঐগী ঈপাউ অসে কনানসু খঙদনা তুমিন্না ইবোলমুংগী লৈমৈগুম লৈরমগদবনি। অদুবু ঙসি ঐ কনাগুম্বা ১গী মফমদা করিগুম্বা অমওসু থম্নবোই,লোয়নমক হায়দোক্লগনি লোইনমক।

মুংশিবা— ঐখাক ভাব তাবা ঙমদে ।

কায়নবা— হুজিকসু মতম লৈবি মহাশয়, ঐবু হিংহনগে হায়রএদি

মুংশিবা— করম্বা উপাই ।

কায়নবা— ঐবু মহাশায়গী [ইকাইনা] তালোই ওইহনবিযু । ঐগী নিংবা কাযবা হায়বসে কনামত্তনগী কাযবা নত্তে ।

মুংশিবা— অদুগা করিগী নঙবু ঐগী তালোয় ।

কায়নবা—ঐনা চহী কয়া নিংজরকপগে হায়বসে মহাশয়না খঙবিরে।

মুংশিবা— নঙবু ঐগী পুন্সিদা ঙসি উম্নবা অদি নত্তনা অমুকসু উখিদ্রি ।

কায়নবা— নঙগী মীমুংশি চাওবগী বারী, নঙগী পুন্সি 'সিমগী থাদোকচবা ঙমজরোই ।

মুংশিবা—নঙনা খল্লিবা বাখল অদু খনহৈদবা বাখল্লি, পাপকী মশক্লি ।

কায়নবা— মরমদি।

মুংশিবা— ঐদি মুপী লৈরবা, যুম পাল্লবা মুপানি।

কায়নবা— অহুম ওইহুনস্থ ঐবু হিংহনখিগে অমদি শিহনবিগে হায়রবা রাখল অসি অদোমগী খুত্তা লৈবে।

মুংশিবা— কমদৌনা ?

কায়নবা— ঐগী লৈ পরেং অসি অদোমগী ডক্ত হুকচবা ফংলবা ঐ হিংলগনি, ফংত্রবা মতম ডাইরিবনি। খানা হেক খোল্লকপগা ডসি ঐগী পুন্স লোইরবনি।

মুংশিবা— মু শিবা, মীমুংশি হায়বসিস্থ লুইদ।

কায়নবা— অহুনবু ঐনা শিবা কিদবমথৈ নিংজরিবনি।

মুংশিবা— ফরে, ঐ অমুক খল্লুথিগে।

কায়নবা— ফরে, য়ারবস্থ য়াত্রবস্থ ঐ নঙগী নাকোংদা রা 'মত্তা চিরোল্লমগে।

মুংশিবা— কারি রা।

কায়নবা— নাকোং অনি শুহনবিয়ু, অয়ক্ত লুকথবিরকউ। ঐনা লোল্লা চিরোলজগে। [তাঙ্গা অসিদা কল্লকপা ১স্থং অপাম্বনা মুংশিববু খিবা লাক্লি,লাপ্পা কল্লকপনা অপাম্বদা মুংশিববু য়েংহল্লি]

কল্লকপা— ইবুংগী ইবেম্মা য়েংউ, ঐনা নঙবু কল্লক্কনা হায়জিনব্রা ? নঙোন্দা মুংশিবা লৈত্রে, অতোপ্পা কনাগুম্বী অমগী ওইগ্রে।

অপাম্বা— কৈ খঙগনি।

মুংশিবা কায়নবগী নাকোং ময়াদ চংশিল্লি, কায়নবনা লৈ-পরেং অহু হুক্কদবগী লাক্লবি। [মুংশিবা হেক্তমক নোল্লকপা তাঙ্গাদা লৈ-পরেং হুকপ্রে]।

কায়নবা— ঙসি ইথুংনা লেৎজবা পূক্রিং থুংবা লৈ পরেং অসে মুংশিবগী ঙক্ত হুকচবা ফংজরে ।

[লোয়ননা মথোঙ পাইহনা খুকম্মী । মুংশিব লৈ পরেংদা মুন্না য়েংহনা লৈরি] ।

অশাঙবা— [চংলকই] ইবেম্মা, হুজিক ফাঙবা করি তৌরি । নঙগী চান্নজবা,মুংশিবা নপুরোইবা অচুম্ব অতোপ্প মুপী অমগী ওইগ্রে । হুজিব নঙগী করি থৌফম থোরকই । বা লোয়নবা ভাত্রা । নত্রগা মুপী অসিম্বু ক'র তৌবা তাই । কিগম্মু চংশিন্দ নঙগী তৌফম থোকপা থবক পা থোক্কনবনি ।

[অপাম্বা অশাঙবন থুমহৎথহন মুংশিব মনাক্ত শাঙনা চংশিনখি, লোয়ননা লৈ-পরেং অচু পদৎখি । মুংশিবা রা জা দে, তুমিন মক লুক্কনা লৈ] ।

অপাম্বা— ঙসিদগী নঙগা ঐগা বা কাহনরবনি ।

অনিময়— [কল্লকপা ১মুং অশাঙবা] হবুগী ইবেম্মা লাঙ, ইচনদি মঙোম্দগী হেনবা নিংথৌ অমদ থাজগনি । —মরি মাব থোকখি

মুংশিবা— হুজিক্তী করি থোক্লে ।

কায়নবা— কমদৌনি, ঐথোয় অনি লৈমিন্নবা তারে ।

মুংশিবা – নহাক ঐগা লৈমিন্ননি থাজদে

কায়নবা— মন্নম্দি ।

মুংশিবা— নঙ মীতা চুমদে । হুজিক্তী নহাকপু শিরবোই মঙ ননিং তমজগ্রে, অহুগা ঐস্ত কনাগুম্ব অমওগা মরি থম্নরোই, ইনিং

তমজব্রগে। নঙস্থ নঙন থোক্পা ঐস্থ ঐনা থোকপা।

—প্রপপ চংথিবা

কায়নবা— অমুক্ত [খামনিংবগী মঙং] মহাক য়ারক্লোই, মরমদি ঐদি কনাগুম্বা অমত্তগ' লৈমিল্লৌ ভন্নক্ত্ববনি। —তাম্নথিবা

মুঙাইব — ও! ঐগী মকপ অসে ঙাওচংনত্তুনা চংল্লে,ঐ মাবু থিরক-লিবনি। মকপ [কৌবা] মরুপ হো! মুংশিবা মরুপ। ঐ নঙবু থিরক্লিবনি, অমুক্ত ঙাইথোও। আঃ অপাম-নুংশি কাযনববা। [তাম্নথিবা]

কবি-- অস্থম্না অপাম্বা ১স্থং নুংশিবা মথোয় অসি কায়নল্লে। মসিনা শৃঙ্গার রস ১স্থং বিবহ রস অনি অসিগী চাওরাকপা শক্তম অমা থম্মোইদা লৈরে। [লাইরিক ইবা অমুক হৌখি]

মুঙাইবা— কয়া কুইরে মকপ। নঙনা নুঙাইবা কংলক্লিবা!

মুংশিবা— য়ুম পানভৈদগীনি।

মুঙাইবা— কয়াদা নিংবা কায়ত্তুনা লৈকববনো?

মু শিবা - অচুম্বনি মরুপ। ঐ নুঙাইবা মচেৎ অমত্তা ক্দবমথৈ অস্থক কুহনা অসি থাংলক্লিবনি।

মুঙাইবা— ত্তুজক প্যন্সি অসি নুঙাইথোক্লগে থল্লবা নত্রাও!

মুংশিবা-- মুঙাইথোকপা নত্রবদি অবাবা নঙত্তুনা লৈরগত্রা!

মুঙাইবা— হায়যু নহাক করম্বা মথন্দা মুংঙাইবা পাম্মী, করম্বা নিশানা পুন্সিবু অবা অনাদগী কাওথোকপা ভম্মী।

নুংশিবা— নহাক ঈশৈ হৈরবদি, ঐবু নঙগী ঈশৈদা ঙৈহাক্ত ওইরবস্থু পোথাক্লু।

নুঙাইবা— ঐ যন্ত্রগা লোয়নননা শকপা হৈ নহাক মহু ঙানিংব্রা।

নুংশিবা— করম্বা যন্ত্রগী সূরনো? করন্দা ঈশৈনো। ঙ ঙু তাসিদনা।

[নুঙাইবা ঈশৈ মতেক অমা ঙংঙ]

নুংশিবা— তোক্লো, তানি দ্রে ওক্লে।

নুঙাইবা— নুঙাইবা ওক্লব্রা?

নুংশিবা— ওক্লে ঐগী শিংলি খুদিংমক মথৌনা, মরৌশি গা লোয়নননা মিকপ থোকক্লে। ঐ শোযদন পৃথ্বী খুদুম চনবা ঙম্লগনি। হায়হ্, নহাক ঐগী ইতেং পাংগব্রা?

নুঙাইবা— করম্বা ইতেং, ঐনা নঙোন্দা পিগদৌরিবনি?

নুংশিবা— নঙোন্দা থৌনা অহুদি লৈরে, মহু নঙ শিন্নরবোইদ্রা?

নুঙাইবা— কারগী শিক্তিন্নরোই, নঙনা পাম্লিবহু কাম্না হায়খো।

নুংশিবা— নঙগী নুঙাইবহু ফংনবা, মীওইবা খুদিংদস্থু বাহনগদবনি। মহুগী খবক্তু নঙনা তৌগবনি।

নুঙাইবা— নুঙাইনবগীদমক বাহনবা।

নুংশিবা— হায়বদি নঙবু ফংনবা মীওইবা খুদিংমক তপ তৌগগনি। নঙগী নুঙাইবা লম্বেলবু থিহুনা লাক্কনি। ঐনা মসিদা লম্বেল অনিমক কাংকনি।

নুঙাইবা— করি করি লম্বেল!

নুংশিবা— অহান্নদা থাদোকপা (স্বার্থত্যাগ) হায়বা লম্বেল অমা।

নুঙাইবা— মতুগী লমথুংকমনি।

মুংশিবা— মতুগী লমথুংকমদা নঙ লৈগনি। লম্বেল অতুদ শারবা লৈঙোই শেক্ত মবক্ত, লোয়নবা শাগী তিংথং থোংনেৎনতুনা মীওইবা থুদিংমক্না নঙবু ফংবা ঙইসম্থু।

নুঙাইবা— অতুগা অতোপ্প লম্বেল অমবা করি ?

মুংশিবা – মসিনা অপাম্বনা থুমহৎলবা লম্বেল, মসিবু ফংদতুনা মীওইবনা অশাংবগী শীদা চ খিতুনা অশিবগী থায়াত্তা তাবা, হায়রিবা পাস্থে অনি আসদা ঐনা মীওইববু জয় তৌগনি।

নুঙাইবা— ঙইথোক্কে, মতুনা কনদোনা জয় তৌগদৌরিবা ?

মুংশিবা ঐনা পাইগনি মতমচুপ্প মীমুংশি, থোজালগী অইংবা শিদযাই অমা মতুনা তাইবং পুম্ববু অনৌবা মপোক অমা পোক্নবা।

নুঙাইবা — অতু ঙইরবদি ঐস্থু থোরাং লৈজরে।

মুংশিবা – হায়যু, নঙ করম করম্বা মীশকপু জয় তৌবা ঙমগনি।

নুঙাইবা— ঐনা জয় তৌবা ঙমগদবা মীশকশিংদি

[১] নাপল হায়ব নিংথৌতুম নুঙাইবা পাম্মন্দুনা শিহনগনি।

[২] অশাঙবা হায়বা অতুস্থ নুঙাইবগী মমাংদা থাংলোই।

[৩] কল্লকপদি, মীকুপ অমত্তগীনি, ঐদি মতম চুপ্পগীনি।

করিগী মীওইবনা কল্লকপবু থাদোক্নবা নুঙাইবা ঐবু পাম্নরোইদগে, মতু ইরাই লাইনা জয় তৌনি। অতুগা নঙনা করম করম্বা মীওইববু জয় তৌবা ঙমগনি, হায়যু অমুক্ত তাসি।

নুংশিবা — ঐনা ইকান হানবদা মীওইবগী চাওরবা য়েক্রবা 'অশিবা' হায়বা লাই অদুবু ভয় তৌগনি । অদুগা অনিশুবদা অপাম্বা হায়বা মীওইবা থুদিংমকপু হাকল্লিবা মুপী অদুম ঐনা অমুক হন্না শারংদা য়োকনি ।

নুঙাইবা — অদুগা অতৈদি ?

নুংশিবা— অতৈ হায়থবু 'কাযনবা' হাযবা মুপী বীথাতা নো দম্বগী তরেং থুংকী অত্তোম্বী অদুদ এ.. মীনাই ওইকনগ.. ন ।

নুঙাইবা— অদু ওইরবদি সংসার অসিদা স্বর্গদগী শরক চৎনা হেন্না নুঙাইবা লৈবাক অমা ওইরগনি

নুংশিবা— অদু ওইরবদি সংসার অসিদা স্বর্গনা অমুক লৈকন্ত্রবস্থ য়ারে ।

নুঙাইবা— ফরে, ঐখোয় .কৌষক মখোয়বু লাক্ক..নবা ..বা, চৌকরাস, বাতায়রাস [অনমক চৎনবা]

[কবি লাইরিক ইবা .. থংনবা.., ডকাক থাথল তাই, অদুগী মতুংদা অদুম্ম মখ.. .. হাংগী মৈগী মংংছুনি]

কবি— হৌজিক্কী সংসার অসি.. .. .. .. অমা হৌরগনি নুঙাইবা অমসুং নুংশিবা .. অসনা মীওইবা থুদিংমক্কী থম্মোই অসি থুদুম চন্দুনা। .. .. ওইবা ভয়বদি শোয়দনমক মীওইবা হায়বা মীওইবশিং সি ঈশ্বরনা চপ মান্নবা থাক্ত লৈবা ভয়গনি, লৈবমক ভয়ন্ত্রবস্থ .এক থংনবা থাক্ত উবা ফংলগনি । হায়রিবা অশাওবা, অশিবা, কল্লকপা, নাপল, অপাম্বা,

কায়নবা মখোয় অসিবু হুয় তৌনবা হোৎনবা হায়বসি চাওরবা বীর রস (থৌনা ফবগী মহাও। অমা শাগৎকদৌরি। মতুংগা লোয়ননা অদভুত রস (অকিবগী) হাস্য রস (নোক্লিংবগী) করুন রস, শান্ত রস অতৈ রস পুম্নমক শুনা মতাং অসি হাপচিল-ক্কৌরগনি।

[নাগরঙ্গল কোন অমক ইথখি স্টেজ অদু পুম্নম মমশিনখি। স্টেজ অদু ভাগে তরকপদা তাংখৈদা ফমদুনা সিংথোকেল নাপল অমসুং মহারাজ কপাঙ্গা ভাগ্যোদয়দুনা লৈরম্মী, নাকল মন্ত্রি অশাংবা কুকপা থা ১/১ পাইদুনা পৌগল্লি। কায়নবা মাওইবগী ফমদেং শক্তনা চংলকই।

নাপল— ইমাগী আসন।

কশাওবা (কোপদুনা ফিদা লাই)

নাপল— ইমা লাগা অসি কমদৌনা তাগ্রা।

কায়নবা— লৈমাক মঙ্গল ওইনি।

নাপল— ভয়দা লইনিকো।

কায়নবা— ওইদ্রিবগী শোযদনা নখোযদা অনৌবা পাউ অমা লাক্লগদবনি।

অরাবা— (থোংশংবা মীওই, চংলকই থুরম্মী) মা য়াথং?

নাপল— হায়য়ু করিনো খোঙশংবা।

অরাবা— ননাই ঐনা পুরিবা থোং অসিদা লামবাউ পুবা রূপা। অমা চংলকই, থাজিনজয়কউ হায়রা?

নাপল— থিল্লে হুজিকমক।

অবাবা— (থোকথি মুঙাইবা চংলকই)।

মুঙাইবা— কোক নোাম্ল হনিংথৌ [কাক থজিক্তং নোম্লি]।

নাপল— ফম্কম [ফম্কম পি কল্লকপনা]।

মুঙাইবা—ঐ অমুক পম্ভজরোই।

নাপল— করি হায়নিংঈ ?

মুঙাইবা—হয়েংদগী ঐখোয় লাল হৌরগান, লাল পামম্বগনা বনি অমা ওইনা এখোয়দা লোইপোৎ কাবা অমস্তং··· ···· ।

নাপল— ত্'মন লৈয় নওগী নবাহৈগী মতুং ইল্লবাদ খুদক্ত হাংপা ম্বারবনি। অদুবু নঙ লানগী পাউ হায়বা লাকপান। নওবু থাদোকাপববান। যাম্নবুং, শিনবু হাংনবু কদাই ওইরে ?

মুঙাইবা—নোংচুপ লাবম পাবা 'অচূম্ব' নএগা অওম অভম পান্নবা হান্নবা লম্পাক অদুদ। ঐখোয়দি ভাইহুনা লৈজরবনি সেনা-পতি অমদি লানমী পুম্নমক থাদোকপিরকপা যারগনি।

নাপল—অহানবা লাঞ্জং অসিগী সেনাপতিদি কল্লকপা নহাক চৎলু। নওগী লাম্মীশিংদি মথাথংবগী লানবন্দা লৈরিবা মশক ফজরবী মুপীশিং, হাওরবা চিঞ্জাক অমস্তং নিশা পুম্নমক।

কল্লকপা— স্না ম্বাথং লৈবাক তাহনজরোই। ঐহাক থৌরাং পুম্নমক লোইজরবনি লানগী। লেপ্পমক মঙ্গল ওইরকে। অদুগা ইমা মাইবীগী মায়কৈদগীস্তু।

ময়াম্বা— লেপ্পমক মঙ্গল ওইরকউ।

[কল্লকপা থোকখি, ষ্টেজ মন্নুংদগী লাল হৌবগী মোইবুং মখোল নম্রগা বেঙ্গুল থোঙবগী বম তোপকী থাং য়াম্নবগী মখোলনা পুমনিল নিল্লি, ভাঙ্গা অসিদা অবাবা মুংশাস্বর থবেৎ থবেৎ হোন্দুনা চংশিল্লকই, নিংথৌদা থুরুম্মী]।

নাপল— থোংশংবা করি পাউ?

অবাবা— [পাউ হায়বা ঙমদবা, স্বর থবেৎ থবেৎ হোনবা]।

নাপল— হায়য়ুনে, করি পাউনো, তম্মুনে।

অবাবা -- [মুংসাস্বর থবেৎ ২ হোন্ন]।

অহানবা লাঙ্গং মক্তুদা সেনাপতি কল্লকপা তুয়ে, লোয়ননা শগোল তোংবা, শমু তোংবা, দোলাই তোংবা, থোংমী লানমী পুম্নমক অমত্তা হিংদ্রে।

নাপল— অবাবা নঙনা পুরকপা পাউসে অবাবদা পুরকই। থিল্লে, মরুপ অশাওবা নঙ অমুক্ত চংত্নুনা হন্দকী লাল অসি ঙমদবা য়াদে।

অশাওবা—অত্থুগা নঙগী লানমীদি অবাথংবদা লৈরিবা মীত্তা উশিত্তবা লানমী, থকথি-খাসি নাইদবা, মী লাক্লগনবা, মোয়োক অশাবা চাবা লানমীশিংত্থু লোয়ননা পুক্রো।

[অশাওবা থোকখি]

তারিত্রা থোঙশংবা, চৎলু লানবাউ লৌরু,অত্থুগা ইমা মাইবীগী লাইবাও। [হেক থোকখিবগা, হান্নগী লাল তৌবগী মখোল মন্নুংদগী তাই]।

মাইবী— [কিরুক খুমজিল্লি লাইবাও তৌরকই] হে তাইবং, কোলোয় নপাউ শিরগেহে, ঋেংকী লমদাং ওইরিবা 'অশিবা' কৌবা লাই অমা মোংবা নঙগী স্নখোংদা থুংলনিয়ে। হে তাইবং পংগল্ল অশ্বিবা মাবু চেৎনা থাগোম্লজোও ।

[অরাবা চেনশিল্লক্লুনা পাউ তৌয়ে]

অরাবা— ননাই ঐনা পুরিবা স্নখোং অসিদা 'অশিবা' কৌবা লাই অমা মাগী তেঙ্গোলগা লোয়ননা চংলক্লে ইনিংথৌবু উম্লগে হায়রি।

নাপল— থিল্লে, হুজিকমক থাজিল্লকউ [থোংশ বা থোকথি]।

অশিবা— মথোং নাস্মতমক পাল্লি চোং চোংহুনা চৈ অমগা চংলকই মশক অহু তজ্ঞাই অমা শঙই, তজ্ঞাই অম্যা ঙৌই। মিকোক পরেং শি।

নাপল - [ফম্ফমদগী হৌগত্তুনা] প্রভু ঐ থুরুমজরি।

অশিবা— ফম্মু নিংথো ঐদি অতিথিনি। নঙগী বাভার অহুনা ওক্লে। ঐ ঙসিমক লান লোইগে ঐবু সেনাপতি হাপ্পু।

নাপল— কৃপানি, তেঙ্গোল কয়া পুবিগেগে।

অশিবা— ঐ তেঙ্গোল অমত্তা নঙগীদগী পুরোই।

নাপল— প্রভুগী তেঙ্গোলহুগী মতিক ময়াই ঐ অমুক্ত থংজনিংই।

অশিবা— তাও। ঐগী কল্লবা তেঙ্গোল অমদি ভুট, প্রেট, তম্মরাই, হিংচাবী, কোৎচাবী ঙাক্তনি। অহুগা মথং তেঙ্গোম্না শিবা য়াবা লাইনা ময়াম অশিনি। মসিদা তাইবং পূম্নমক লাক্লিবনি।

অবাবা— [চংলকপা] অনিশুবা লাঙ্গংদা সেনাপতি অশাওবা, মাগী তেঙ্গোলগা লোয়ননা হাংল্লে। হুজিক য়েক্নবনা ঐখোয় তম্না ফুজিল্লক্লি।

নাপল — থিল্লো, প্রভূ অহুদি।

অশিবা— খঙনি, কয়া মতিক লৈবগে য়েংলুগে । [থোকখি, লাম ভৌবগী মখোল তাই]।

নাপল— থোঙশংবা, চংলু লানবাউ তাক্নচো। [থোকখি]

কাযনবা—ঐখোয়না ভাম্লোইদোবা মরম অমা লৈরি।

নাপল করিগী ?

কায়নব — অপাম্বা হায়বা মুপী অসি মুংশিবা কৌবা লাইচুগী মুপীনি মচু ঐখোয়না লৌক্নবদগী ভসি অসিগুম্বা দশা অসি ফংলিবনি।

নাপল— অপাম্বা ঐগী থুত্তগী নাম্থোকপা য়ায়োই, থাদোকপা ভয়োই।

অপাম্বা — ঐস্নু মুংশিবগী মনাক্ত চংবা ভমদে। মৈভাল মনাক্ত চংলুবা তন্দন তাহুনা মতোকই। ঐস্নু মহারানী কলখোন অমিদগী থক থাদোক্লোই। [মঙ্গুংদগী লান জয় ভৌবগী লাল্লাও]

অবাবা— [চেনশিল্লক্কুনা] ননাই ঐগী মখোং পাইল্লে।

নাপল— খঙনি, লাকখিসমু মতিক থোকপা লাক্নগে।

[সিংহাসন্দগী চোংথোরক্কুনা থাংগী কদম তৌই]

[মুংভাইবা ১মুং মুংশিবা চংলকপা]

মুংশিবা— ৻৲ ৲ অপঙবা। নঙগী লানমী পূম্নমক ঐগী 'মুঙাইবা' সেনাপতিগী মথাদ লোম্নবা চংজরক্লে। হায়রু নহাক সিংহাসন, অহু পাম্নীবরা নত্রগা শিবা হায়বা অহু পাম্মীবরা নত্রগা শিবা হায়বা অহু পাম্না ?

নাপল— ঐদি সিংহাসনগী মপাম্না নাপল তৌজরিবনি। ঐগী সিংহাসন নঙনা মুনবা য়ারোই। [থাংনা কদম তৌই]

মুংশিবা— নঙগী সিংহাসন অহু পাম্নবদি, কৈদোৈঙদসু নঙনা মীওই বদা 'নাপল' তৌহন্দুনা লৈঙাক্লোই হায়যু।

নাপল— ঐগী সিংহাসন থম্বীরম্মু, মতুমক তৌজগনি, ঐ লাইপে কাজগনি।

মুংশিবা— অতুগা অতৈ পূম্নমক্তী।

মুঙাইবা— স্না য়াথং।

মুংশিবা— কৈঙমশংদা পূম্নমক। [ষ্টেজ অহু পূমম মমশিনখি, মাকন্দগী কবি অহু মমাইতমক উহল্লি, কপ্ল লাওনবগী মখোল তাই]।

কবি— অসুম্না মুংশিবা অমসুং মুঙাইবা জয় তৌরবা পৃথ্বী অমা শেম্বা ওম্বা 'মহাকাব্য' অসি লাইনিংথৌ সেম্নারেল নঙগী নত্তিক নঙালগী অভোম্না মঙল্লি।

—মুংশাশ্বর মপি হোম্দোকখি—

লোইরবা